ও এন ৰাই সী ট্রোফি মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

এ ৰাই এল, এফ সী লমলাই, এন এন সী কে এ অমসুং ও এফ এ পুংদোংবম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস) ঃ ওকসু নিংথেমচা খুল য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা লমলাই কেন্দ্র অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৰাইজ অমদি অতোপ্পা কেন্দ্রগী ইনভাইটি য়াওনা পাঙথোকপা ও এন ৰাই সী ট্রোফি মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ ৰাই এল নোংগ্রেন, এফ সী লমলাই, এন এন সী কে এ নোংগ্রেন অমসুং ও এফ এ পুংদোংবম মায় পাকখ্রে। ঙসি অয়ূক শান্নখিবা অহানবা মেচতা এ ৰাই এল নোংগ্রেন অমসুং এম পি এল ৰাই দল্লিয়ু সী মোইরাংপুরেল লম্বা তৌনখি। এম পি এল ৰাই দল্লিয়ু সী মোইরাংপুরেলগী মায়কৈদগী ১০শুবা মিনটতা টি নুঙোম্বনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মেচকী অনীশুবা হাফতা এ ৰাই এল নোংগ্রেনগী এল গান্ধীনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। মহাক্নগা চনখিবা মিনট ৩২গী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৬ লৈরগা পেনালটি অমসু ফংদুনা পাঞ্জল ওন্থোকপদগী ২-১দা মায় পাকখি।

অনীশুবা মেচতা এফ সী লমলাই অমসুং এফ সী য়ৌরবুংগী মেচ অদু লমলাইগী কে ঐচ অমরজিৎ অমসুং এস ধনঞ্জয়গী পাঞ্জলনা য়ৌরবুংগী টি ঐচ অরুনগী পাঞ্জল অদুবু হেন্দুনা ২-১দা থোইখি। আই এন ৰাই টি সী ইথম্বু এন এন সী কে এ নোংগ্রেননা ৩-০দা থোইখি। অদুগা টুর্নামেন্টকী য়ূম্বু ও এন ৰাই সীনা ও এফ এ পুংদোংবম্বু ২-০দা থোইখি।

অনীশুবা লেট পিঐচ ধর্ম্মচন্দ্র মেমোরিয়ল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ভোলিবোল

এন ৰাই ভি এ নাওরেমনা এ এম ৰাই সী অন্দ্রোবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস)ঃ এম এম ৰাই সিনা শীন্দুনা ৰাই এস এস য়ুনা স্পোন্সর তৌবা অনীশুবা লেট পি ঐচ ধর্ম্মচন্দ্র মেমোরিয়ল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ভোলিভোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা এন ৰাই ভি এ নাওরেম্না এ এম ৰাই সী অন্দ্রোবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্না লম্বা তৌনরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিদা য়ুম্বু ক্লব ওইরিবা এএমৰাইসি অন্দ্রো, ৰাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং, কে ৰাই এল এস কাচিখুল অমসুং এনৰাইবিএম নাওরেম পুন্না লৈরি।

গ্রুপ এদা টিৰাইদল্লীয়ুসি থমনাপোকপী, এমএসভিটি মণিপুর, আই জি ও ওইনাম অমসুং এম আই কে ঐচ ৰাই এ ময়াং ইম্ফালনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচ অদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু এ এম ৰাই সী অন্দ্রো অমসুং এন ৰাই ভি এ নাওরেমনা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট মায়কৈ অনীদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরক্তুনা পোইন্ট ২২-২২ ফাওবা মান্নদুনা লৈখি। অদুবু এন ৰাই ভি এগী মায়কৈদগী থংনবা পোইন্ট অহুম লৌদুনা সেট ২৫-২২দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতা এন ৰাই ভি এগী মায়কৈদগী ফজবা য়াম্না হেনখি। মদুনা মরম ওইদুনা এ এম ৰাই সী অন্দ্রোবু ২৫-১৮দা থোইদুনা মেচ অদুদা সেট ২-০দা মাঙজিল থাখি।

এ এম ৰাই সী অন্দ্রোগী মায়কৈদগী অহুমশুবা সেট অদু মায় পাক্তবা য়াদবগী তঙাইফদবা লৈখিদুনা ফজনা শান্নরকখি। অদুবু এন ৰাই ভি এ নাওরেমনা মরু ওইবা পোইন্ট ৩ হেন্না লৌবা ঙমখিবদগী ২৫-২২দা থোইরগা মেচ অদু মখোয়না লৌখি।

টুর্নান্টে অসিগী শান্নফম অদু নোংনা মরম ওইদুনা ফীভম শোকখিবদগী ঙসিগী মখা তাবা মেচশিং য়ৈথোক্তুনা থা অসিগী ১৭তা মখা তানা শান্নরগনি হায়রি।

অহুমশুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

কে এম ভি এফ এগা এস এস দি ভি এফ এগা অমসুং টি ভি এস এফ এ অমদি এস আই আর টি আই ড্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস) ঃ

য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন মণিপুরনা শীল্লগা চথরিবা অহুমশুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা কে এম ভি এফ এগা এস এস দি ভি এফ এগা অমসুং টি ভি এস এফ এ অমদি এস আই আর টি আই ড্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ভেটরান টিম ১৮না শরুক য়ারগা গ্রুপ মরি থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৮শুবা মেচ ওইনা মপাল কাংজেবুংদা কে এম ভি এফ এ কৈরক অমসুং এস ঐচ দি ভি এফ এ সদর হিলস লম্বা তৌনখি।

মেচকী হৌরকপা অহানবা মিনটতা কে এম ভি এফ এ কৈরক্কী জর্সি নম্বর ১০ কে সঞ্জিৎনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। শান্নবগী মখা তারকপা পুখ্রায় ফাজিল্লকপদা এস ঐচ দি ভি এফ এ সদর হিলসকী জর্সি নম্বর ১১ আর ঈ বেঞ্জামিন্না ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ১০ রোম চঙশিল্লকপদা এস ঐচ দি ভি এফ এ সদর হিলসকী ইক্বেলাইজর চনখিবা আর এন বেঞ্জামিনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা কে এম ভি এফ এ কৈরকপু ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি। শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা কে এম ভি এফ এ কৈরক্কী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ ৰাই প্রিয়োনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেচ অদু পাঞ্জল ২-২দা ড্রো চৎখি।

ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯শুবা মেচ ওইনা টি ভি এস এফ এ তাওবুংখোক অমসুং এস আই আর টি আই এফ সী চান্দেল পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা ড্রো চৎখি।

মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চান্দেলগী এস আই আর টি আই এফ সী চান্দেলগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ২০ এন সিঙ্খমনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেচ অদুগী অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদনা টি ভি এস এফ এ তাওবুংখোক্কী মায়কৈদগী পুশিনখিবা এটেক অমা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১৩ এল সুরজিৎনা চন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল অমমম মান্নদুনা লৈখি। মেচকী মখা তানা শান্নখিবদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা পাঞ্জল ১-১দা ড্রো চৎখি।

হয়েং পূন্না মেচ অহুম শান্নগনি। নুমিৎয়ুংবা পুং ১২দগী হৌগদবা অহানবা মেচ অদু গ্রুপ বিগী টুর্নামেন্ট অসিগী ২০শুবা মেচ ওইনা এ টি ভি এফ এ থাংমৈবন্দ অমসুং এফ এল এ এম য়াইস্কুল লম্বা তৌনগনি। গ্রুপ সীদা টুর্নামেন্ট অসিগী ২১শুবা মেচ ওইনা নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এফ ভি এফ এ উয়ুম্পোক অমসুং আই ঈ ভি এফ এ সলানথোং শান্নগনি। নুংথিল পুং ৩.৩০দা গ্রুপ দিগী টুর্নামেন্ট অসিগী ২২শুবা মেচ ওইনা ভি এস এ আই থাংমৈবন্দ অমসুং ভি এস এ সী চুড়াচান্দপুর লম্বা তৌনগনি।

অনীশুবা ভিলেজ ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

এস ৰাই দি সী সন্থেলনা ঐচ ভি এ হৈগ্রুজম্বু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা ভিলেজ ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস)ঃ ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা কেলাখোং খোং অহনবী দিভলপমেন্ট এসোসিএসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৭তগী টিম তরুক্না গ্রুপ অনী থোক্না শান্নরকপা অনীশুবা ভিলেজ ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী টাইটল অদু এস ৰাই দি সী সন্থেলনা ঐচ ভি এ হৈগ্রুজম্বু সেট ৩-১দা থোইদুনা টাইটল লৌখ্রে।

ফাইনেল মেচ অদু হৌবদগী টিম অনীমক টাইটল লৌনবগীদমক্তা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অহানবা সেট অদু হৌবদগী কৃক-কৃক ইন্নদুনা পোইন্ট হেনজিন্নবা ঙমদনা মান্নদুনা লৈখি। মশান্না অসিগী অপিবা পোইন্ট ২৫ য়ৌবা হানবা তান্নবদা টিম অনীমক পোইন্ট ২৪-২৪ লৈদুনা দ্যুজ তাখি।

মখা তাবা পোইন্ট অনী এস ৰাই দি সী সন্থেলনা লৌদুনা অহানবা সেট অদু মখোয়না ঐচ ভি এ হৈগ্রুজম্বু থোইখি।

সেট অমা শোথরবা ঐচ ভি এ হৈগ্রুজমগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা এস ৰাই দি সী সন্থেলবু মখোয়না লাকশিন্না শান্নবা ঙম্লকখি। টিম অদুগী শান্নরোয়শিংগী ফজবা মশান্ননা এস ৰাই দি সী সন্থেলবু অনীশুবা সেট অদুদা ২১-১৮দা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদু সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা সেট এস ৰাই দি সী সন্থেলগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লকখি। মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা টিম অদুগী শান্নরোয়শিংনা ঐচ ভি এ হৈগ্রুজমবু ২৫-২১দা থোইরগা ফাইনেল মেচ অদুগী অহুমশুবা সেট থোইদুনা সেট ২-১দা হেন্দুনা লৈখি।

সেট অহুম মায় পাক্লগা ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্তবা কাঙলোন লৈবা মরম্না এস ৰাই দি সী সন্থেলনা মরিশুবা সেট অদু মখোয়না থোইদবা য়াদে হায়বগী মওংদা শান্নরকখি। মরমদি মখোয়না ফাইনেল মেচ অদু সেট ২-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবনি।

নাকল অমরোমদা, সেট অমা শোথরবা ঐচ ভি এ হৈগ্রুজমগী মায়কৈদগী মরিশুবা সেট অদু মখোয়না থোইহৌদ্রগদি ফাইনেল মেচ অদু মখোয়গী ওইররোই খঙবা মরম্না মখোয়সু কন্না হোৎনরকখি।

মরিশুবা সেট অদুগী হৌরকপদা টিম অনীমক মান্ননা লৈনরম্বদগী এস ৰাই দি সী সন্থেলগী মায়কৈদগী ফজবা হেনগৎলকখি। মখোয়না ঐচ ভি এ হৈগ্রুজমদগী পোইন্ট হেন্দুনা শান্নরবা মতুং হৈগ্রুজমগী টিম অদুনা পোইন্ট ১৯ শুরকপদা সন্থেলগী এস ৰাই দি সীগী টিম পোইন্ট ২৫ য়ৌখিবদগী অনীশুবা ভিলেজ ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ অদু এস ৰাই দি সী সন্থেলনা ঐচ ভি এ হৈগ্রুজমবু ২৬-২৪, ১৮-২৫, ২৫-২১, ২৫-১৯দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা এস ৰাই দি সী সন্থেলনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশীং ১০ ফংখি। রন্নর্স-অপ তাখ্রবা ঐচ ভি এ হৈগ্রুজমনা লুপা লিশীং ৭ ফংখি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রগী মনা অদুনা এস ৰাই দি সীগী এম দি নৱাজনা ফংখি। মহাক শেলগী মনা ওইনা লুপা ৫০০সু ফংখি। লোয়নন্না মশান্না অসিগী বেষ্ট ব্লোক্করগী মনা অদুনা ঐচ ভি এ হৈগ্রুজমগী মাইকেলনা ফংবগা লোয়নন্না লুপা ৫০০সু ফংখি।

মোইরাং রন হাফ মরাথোন রেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস)ঃ মণিপুরগী মাঙশিল্লক্লিবা নাট অমদি কলচরবু য়োকখৎনবগী পান্দমদা য়ূম্ফম ওইরগা চহী অসিদগী চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চথগদবা মোইরাং রন হায়না মীংথোনবা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা হাফ মরাথোন রেস অমা ঙরাং হিষ্টোরিকল হেরিটেজ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন মোইরাংনা রন ফোর ফ্রীদম হায়বা থিমদা হৌদোকখ্রে।

মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী অকোয়বদা চেনখিবা মরাথোন রেস অসিদা পূন্না মীওই ৫৮৩না কেটেগোরি অহুমদা শরুক য়ারি। অহানবা কেটেগোরি অদুদি কিলোমিটর ২১গী নুপাগী ওপন রেস, অনীশুবদা কিলোমিটর ৮গী নুপীগী রেস অমসুং অহুমশুবদা কিলোমিটর ৮গী নুপাগী রেসনি।

হাফ মরাথোন লমজেল অদু সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইরোইশেম্বা ইম্ফালগী ভাইস চান্সেল্লর ডা. এম প্রেমজিৎ, লেফটিনেন্ট জেনরেল (রিটয়ার্দ) ডা. কোন্সম হিমালয়া অমদি ইন্টরনেসনল ভেটরান এথলেট কুমাম নিপামচানা মোইরাং চীংনৈ লম্পাক্তগী লমথাখি।

লমদম অসিগী নাটকী ওইবা মুৎখিগদৌরবা কলচরেল শো কয়া উৎখিবগা লোয়নন্না পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি হিষ্টোরিকেল দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী সেক্রেটরি কোঙ্গেংবম মোহনচন্দ্রনা লমদম অসিদগী মাঙশিল্লক্লবা হিষ্টোরিকেল বেকগ্রাউন্দ কয়া হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংদা খঙহন্নবা পান্দমদনি হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তনা মরাথোন অসি চহী অসিগী ওইনা রন ফোর ফ্রীদম হায়বা থিমদা হৌদোকপনি। মখা তনা চহী চহীগী থিম হোংলগা মরাথোন লমজেল অসি পাঙথোক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী হর্সিল দানিনা দটচ ওপন বেদমিন্টন টাইটল লৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি)ঃ ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোয় হর্সিল দানিনা নেদরলেন্দসকী ৰাটেরিনজেন্দা পাঙথোকপা দটচ ইন্টরনেসনল বেদন্টিন টুর্নামেন্টকী টাইটল অদু লৌখ্রে।

মমাঙদা ইন্দিয়াগী নেসনল চেম্পিয়ন ওইরম্লবা হর্সিল দানিনা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা নেদরলেন্দসকী শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ১৪৯দা লৈরিবা মেদস খৃষ্টোফর্সেনবু মিনট ৪৭ চঙনা লম্বা তৌনখিবা অদুদা গেম ২-১দা থোইখি।

মশাগী চহী ২২দা ঙাইরিবা হর্সি দানি হৌখিবা থা ৮ অসি খোঙনীং শোকপদগী শান্নবা য়াওদনা লাকখিবনি। অদুবু অশোকপ অদু মপূং ফানা ওইশিনবদগী দটচ ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুদা গেম অমা ফাওবা মায়থীদনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ফাইনেল অদুগী অহানবা গেম নেদরলেন্দসকী শান্নরোয় খৃষ্টোফর্সেননা ২১-১৫দা থোইখি। অনীশুবা গেমদদি ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা ফজবা হেল্লকপদগী ২১-১২দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নখি। মদুগী মতুং দিসাইদিং গেম অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা ১২-১৩দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখি। পনবা য়াই, দানিনা মমাঙ চহীদা ঘানা ইন্টরনেসনল টাইটল লৌখি। অদুগা পোলিস ইন্টরনেসনলদনা রন্নর্স-অপ তাখি।

লোক্তাক ট্রোফিগী মেচশিং য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস) ঃ এন ঐচ পি সী লিমিটেদ লোক্তাক পৱার ষ্টেসন মণিপুরনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা)না শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ১১শুবা লোক্তাক ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ নোংনা মরম ওইদুনা গ্রাউন্দ চোৎপদগী য়ৈথোকখ্রে হায়না অমোফাগী জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন রামেশ্বরনা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নগদবা মেচতগী হৌরগা থা অসিগী ২০দগী অনৌবা ফিক্সচর অমা থোক্লগা মখা চথরগনি হায়রি।

ষ্টেট লেভেল ৱিমেন্স কবাদ্দি হৌরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা মোইরাংকম্পু দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা মথং থাগী ৫দগী ৮ ফাওবা মোইরাংকম্পু পঞ্চায়ট গ্রাউন্দদা কেশ প্রাইজ ষ্টেট লেভেল সেনিয়র ৱিমেন্স কবাদ্দি টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানীংবা টিমশিংদা সেনিয়র নেসনলদা শরুক য়ারুরবা শান্নরোয় অনীদগী হেন্না য়াওবা য়ারোই হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানবা ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ৩০ ফাওবা ওইগনি। অদুগা মখা তাবা অকূপ্পা মরোলগীদমক মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসনগী সেক্রেটরিদগী ফংগনি হায়রি।

মণিপুরদগী মালেমঙানবা খল্লক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস)ঃ মহারাষ্ট্রগী কোপিগাওন্দা থা অসিগী ২১দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৭শুবা মিনি নেসনল বোল্লিবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর বোইজ এন্দ গর্লস ২০১৯দা মণিপুরদগী নেসনল রেফ্রি ওইরিবা মালেমঙানবা খল্লক্লে হায়না মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি বালেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

বোল্লিবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী টামিল নাদুগী রেফ্রি ইমান্যুএল চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াবা ঙমলোইদা মরম্না মালেমঙানবনা টুর্নামেন্ট অসিগী রেফ্রি ওইনা মহুৎ শিনবনি হায়রি।

RENEGADE
COMMANDO
THE AMERICAN STAR ON INDIAN ROADS
EASY LOAN AVAILABLE
BIGGEST DISCOUNT OF THE SEASON
GET MINIMUM Rs. 15,000-/- CASH BACK ON COMMANDO BIKES
T&C APPLY
for further details please visit
TULASI MOTORS PVT. LTD. KHUYATHONG D.M.C ROAD
Mobile: +91- 9383237618 / 9366671957 email: umkanglasha@uml.co.in

HL-B/5228/23/2 to 27/4(alt)

BUSINESS LOAN AVAILABLE
(Rs. 1 Lakh to Rs. 20 Lakh) 12% P.A.

1. Grocery Shop, Electronic Shop, Gold Shop, Hotel and Fast Food Shops, Cloth Shops, Chicken and Feed Shops, Cosmetic Shop. Wholesaler Shop and any types of Business Loan available.
2. Agricultural & Horticulture items : - Fish Farmer, Mushroom Farmers, Vegetable Farmers, etc.
3. Machinery Items (Stone Crusher, Carpentry Machine, Flex Printer, Embroidery related Equipment, Incubator, Beverage শেম্নবা Machine, Car Wash Machine Set, Iron Soldering Machine, Workshop Equipment , Rice Mill অসিনচিংবা।

N.B.:- Manipur গী মফম খুদিংমক্তা লৈবা থবক ফংদ্রিবা মীওই খুদিংমক অমসুং মরুওইনা নৌনা Business তৌনীংবা অমসুং হান্না মপূং ফানা তৌদুনা লৈরিবা নহারোলশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।

Development Organisation for Socio-Economic in Rural Area (DOFSERA)
At LG MOTORS (BUILDING 2nd FLOOR)
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI (HQ), IMPHAL
Mob : 9383154085 Office Hour: 10:00 am - 04:00 pm.

HL-B/5235/27/2-30/4(alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com